থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পেন্সন অমদি করপসন



পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং অমদা চহী কুন্নিপান থবক তৌরম্লগা, করিসু লৈতবা ইস্যু অমদা আইন'না য়াদে হায়বা ওর্গনাইজেসন অমগা ঐনা থৌবুরেন ওইরুবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেসন অদুগা মুক্ক রকপদগী, মখোয়গা অমুক হন্না মায়োক্লন্দনবা অমদি ঐনা পামজবা থবকশিং, ময়াম্নদি থৌরেম-ৰারেম্নি হায়নবদু নীংতম্না তৌজবা ঙম্লবা, ঙসিদগী চহী মাপনগী মমাঙদা থবক্তগী পোত্থাখি। মরূপ-মপাং, ইমুং-মনুং পূম্নমক্কাল খামখি- অমুক্তংগা খন্থখো। ঐনা খুমখি- খনবা য়াবা খল্লবনি।

সার্ভিস রুলনা হায়, চহী মতম শুদনা থবক্তগী মরন্নাই পোত্থাগে খল্লবা, পোত্থাগে খনবা নুমিত্তুগী থা অহুমগী মমাঙদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা চে থাদুনা খঙহনগদবনি। ময়াম্না খান্বা য়াদনা এপ্লিকেসন থাজিনখি। থা অমা ৰাৎলিঙৈ, রিটায়রমেন্ট বেনিফিট ময়ামগী ক্লেম ফোর্ম হেদ ওফিসতগী থারক্তুনা থাজিনখি। চে থাখিবা, খূৎয়েক পীখিবা নুমিৎতুগী মতুং থা অহুম চপ চানা থবক্তগী রিলিভ-ওর্দর (মণিপুর ষ্টেট গভর্ণমেন্টকীনা টর্মিনেসন ওর্দর হায়নবা) ইখূৎসিদা খূৎশিন্নরগা, প্রোভিদেন্ট ফন্দ অমদি লৌহৌদবা ছুটিশিংগা শেলগা ওন্নবা (লিভ-এনকেসমেন্ট) কী শেনফম ইশাগী বেঙ্ক একাউন্ট'তা হাপ্লকখি। মথং থাগী অহানবা নুমিৎতা অহানবা পেন্সন! পেন্সন তান্নবা হায়বা ৰাহৈসি ঐগী দিক্সন্যারি'দা য়াওরমদে।

মরম অসিনা, ফেব্রুৱারী থাদা থবক্তগী পোত্থাখিবা ঐগী মরূপ, ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী এস ও (এম এস পি দি সী এল ওল্ল' মতুংগীনা দেপ্যুটি মেনেজর) মাইবম ভুবোন- ঙরাং উন্নদুনা ৰারী শাবদা ঙকপনা থেংখি ঐহাক। মে ১৭, থবক পোত্থারবা মতুং নুমিৎ ৭৮ শুরবফাও মহাক্কী 'টর্মিনেসন ওর্দর' থোক্ত্রিহায়।

টর্মিনেসন ওর্দর থোক্ত্র'দি থবক অদুম কাশিনবা য়াদ্রা?

কারগা তোলোপসু ফংলোইদবদা।

নমদুনা ক্লেম তৌগদবনি।

ঐগী থবক তৌবগী মতম লোইরে, থবক মখা তৌবা য়াররোই।

অদুবু, নহাক্কী থবক মতম লোইরে হায়বদু ওফিসল ওইনা খঙহন্দ্রিমখৈদি নহাক থবক তৌগদবনি, থবক্কী অহাঙবা (জেব ভেক্কম) থেক্তনবা।

ঐগী থবক পূম্নমক এসিষ্টেন্ট মেনেজর নহাদুদা শিন্নথোক্লল্লে। মসি ঐখোয়গী ওফিস খক্তা নত্তে, দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা চৎনবনি।

ঐহাক মখা তানা মরূপ্তুগা চীন দা-পাউ দানরুদরে। অরানবা প্রাক্টিশ অদু লীশাং শীৎনা চৎনরকপনা অচুম্বা ওইনা চৎনরে। অচৌ-অশাং, মন্ত্রি খনবা কাঙবু'না ৰাচৎ-ৰানোম তৌদুনা থবক মতম লোইর'ফাও চহী অমা-অনী-অহুম, মখা তানা শাংথনা থবক অদুম তৌথবা। রুল লৈতে লমসিদা, অঙম্বনা পাম্বদু রুল ওইরে হেক্তমক। অঙম্বগী মরী-মতা, মরূপ-মপাং পূম্নমক, শেল থোকপা থবক-ফম'বু ওইরবা, চহী হেনবা হেন্দবা থোইদোক্তে পাল্লিমখৈ শাংদোক্কনি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা, অদুগুম্বা এসাইনটমেন্ট, লোইনা ককথৎখিবদু, খুদোংচাবা মৎপীখ্রবা কয়াদি ফুনগৎলম্বা নিংশা শ্বর হোন্দোকচবা ফংখিবনি। মশানা খঙনা খরা কারকখিদ্র'সু ফনা য়াম্বা ওফিসর মখা অদুম চত্থনা ফম পায়বা য়াওনরি। মরম? ওইরমগনি, ঐগী মরূপ ভুবনগী টর্মিনেসন ওর্দর থোকপীদবা অদুগুম, ওর্দর অদু নমদুনা খূৎয়েক পীবীনবা লৈতবা। অঙকপা গভর্ণমেন্ট মেছিনরিনি।

থা অহুম শুর'ফাও পেন্সনগা মরী লৈনবা চে-চাং শুবদুদি লায়রদনা, থবক অদু হৌনবা ওর্দরদুফাও নমদ্রিবা! 'সিবু করম্বা গভর্ণমেন্টকী গভর্নান্সনো? রিটায়রী অমত্তনা ৰাফম অসি ইস্যু ওইনা লৌদরি। খল্লি, চৎনবীনি লমসিগী। মানা তান্নবা শোনবননি। হায়দা হায়জিল্লুরগা, মরূপ্তুনা হায়রকখি 'জুন ১৫ ফাওবা য়েংলগে, মদু ফাওবা ফংদ্রবদি, চীফ মিনিষ্টর বিরেন'দা শোয়দনা ৰাকৎলুরগে'। জুন ১৫ ঙাইদনবা, মফম খুদিং থেৎপা সী এমগী নাকোংদু য়ৌনবনি, থম্মোয় পাউদম ওইনা মমিং মথা লোত্তনা দাইরেক্ট হেক্তা তল্লিবা।

অদুগা পাউদম অসি ইবা হৌরকপদা, থিয়েটর অমদি ফিল্মদা ঙাওজবা ইনাও অমসু থুংলখি। মহাক্লসু পাউদম্লকই, চহী অনীগী মমাঙদা থবক্তগী পোত্থাখিবা মাগী অপোকপা মপাগী পেন্সনসু ঙসি ফাওবা ফংদরি। মহাক মথন্তা নত্তে মখোয় চনী-চহুমনি হায়। মরম'না প্রাইমারি (মেট্রিক্যুলেট) ওজা ওইনা চঙখিবা, মতমগী মতুংইন্না মশা গ্রেজুয়েট ওইরক্তুনা গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা অপগ্রেদ তৌদুনা হায়-স্কুল অমদা থবক কুইনা তৌরক্লবা, তোলোপসু গ্রেজুয়েট স্কেল ফংলিবদু, থবক পোত্থারবা তুংদদি মেট্রিক্যুলেট স্কেলদা পেন্সন হোৎলগা পীগনি হায়বা লৈঙাক্কী ওর্দর অদু শীংনদুনা মখোয় পূন্না লৌদবনি।

অহুমশুবা মীশক অমগী ৰারী অমত্তংগা লীরমগে। মহাকসু ফেব্রুৱারী ২৮ দা রিটায়র তৌখিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অচৌবা ওফিসর অমনি। মহাক্কীদি উচিন-নাচিন্না টর্মিনেসন ওর্দরদুফাওদি ফংদুনা জি পি এফ কায়নবা এ জি ওফিসতগী ওঠোরিটি কোপীদুফাওবদি লৌহৌরে। কোপী অদু পীরগা দিপার্টমেন্ট'না বিল অমুক শাবীবা, সেঙ্কসন অমুক লৌননবা হোৎনবা, ট্রেজরি ওফিস অমুক য়ৌহনবা, ট্রেজরি বিলদু বেঙ্কতা অমুক কায়রুবা... পূম্নমক অসি শেলনা থোং শাদ্রবা টেবল অমদগী অমদা শুপয়ৌ য়ৌরোই খঙবনা, মশানা মশাবু চাংয়েংলি কয়াম কুইনা খাঙ'ঙলি শেলনা য়ৈরকপা চৈনাসে। লৈকায়গী ইয়াম্বা অমনদি হায়, 'অদুক ৰানা চেন্দৌ শরুক- পেন্সন এক্সপর্ট কাঙবুদা থ্রী পর্সেন্ট পীথোক্লগা, নৎত্রগা শেনফম অমদা ঙাঙনরগা চেলহনবনা ফবনি, অদু হেক নৎত্রিমখৈ শুপওই ওইরোই হায়বীখো... ৰাবই পনখৈ য়ৌরগা, চঙঙুদৌবা লৈরবনি... শেন্দোয় পুবা শেনফম্না চাকখাও থাকপা ওইরবা, মতম চারিঙৈ থিহৌবনা ফবনি, ট্রেজরি ওফিসতা ৰাত্তবনি'। মখোয় অদু থিরগা ভিদিও ফুটেজ লৌরগা কমপ্লেন অমা তৌরকপদুরা 'এন্টি করপসন সেল'না ঙাইরিবা? মীনা পীরকপা ফুল-প্রুফ ইভিদেন্স'তা য়ূম্ফম ওইরগা মথৌ তৌবা 'এন্টি করপসন সেল'দুনা করপসন থিংনি হায়বদি কন্নানসু থাজরোই।

লৌশিং পুক্কে

# থা-গী খোঙচৎ অমসুং অঙাংনা তূম্বগী মওং


থা-গী খোঙচৎনা মীওইবা, মরুওইনা অঙাংগী তূম্বদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়বা হন্দক্তা থিজিনবদগী খঙলে।

কেনাদাদা লৈবা চিলদ্রেন'স হোস্পিটাল ওফ ইষ্টর্ন ওন্টারিও রিছার্চ ইনষ্টিট্যুটনা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১২ দা লৈবা অঙাংশিংদা ষ্টদি অমা চৎখি। ওষ্ট্রেলিয়া, ব্রাজিল, কেনাদা, চাইনা, কলম্বিয়া, ফিনলেন্দ, কেনিয়া, পোর্টুগাল, সাউথ অফ্রিকা, ইন্দিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা মশাগী চহী ৯ দগীনা ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ৫,৮০০ না তূম্বগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী।



এসেলরোমিটর কৌবা খুৎলায় অমা শীজিন্নরগা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্না অঙাংশিংগী মওং-মতৌ অমসুং তূম্বগী ফীভম কুপ্না য়েংশিনখি। নুমীৎ খুদিংগী অঙাংশিংনা হকচাং লেঙ-ওৎপা অমসুং তূম্বগী মতাংদা থোইদোকপা খেন্নবা লৈত্রবসু থানিলগী অহিংদদি তূম্বগী চাং মিনিট ৫ রোম হন্থে হায়বা খঙলকখি।

'লাইভ সাইন্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা রিছার্চরশিংনা হায়খি, অতৈ



নুমীৎশিংগা য়েংনবদা অঙাংশিংনা থানিলগী অহিংদা তূম্বগী মতম চাদা ১ গী চাংদা হন্থে। হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রবসু থানিলগী অহিংদা কা-হেন্না ঙানবা মরম্না তূম্বদা অকায়বা থোকহনবা ওইরমগদ্রা হায়না থাজনরি। ৰাফম অসি অতোপ্পা রিছার্চর খরনদি য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি।

'ফ্রন্টিয়রস ইন পেদিয়াটিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি থা-গী খোঙচৎনা মীওইবদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়রি। মতম অমদা মীওইবনা শুরুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা থৌওং অসি অদুম্মক থেংনদুনা লাক্লবনি। মসিদা থা-গী মঙাল নৎত্রগনা গ্রেভিটিগা থোইদোকপা মরী লৈনদে। হকচাংগী ওইবা বাইওলোজিকেল ক্লোক (সর্কাদিয়ন রিদম) না থোকহনবনি হায়রি।

থাবল ফবা অহিংদা তূম্বা য়াদবগী থৌওং অসি ৰারেং-শৈরেং অমদি ঈশৈ কয়াদসু শৈথানরি। সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না মীওই খুদিংমক্কী হকচাং মনুংদা বাইওলোজিকেল ক্লোক অমা জিনদা য়াওই হায়রি। সর্কাদিয়ন রিদম নৎত্রগনা সর্কালুনর ক্লোক হায়নসু খঙনবা বাইওলোজিকেল ক্লোক অসিগী মতুংইন্না মীওইবদা চাক লাম্বা, তূম্নিংবা অমদি খোঙ হাম্লিংবনচিংবা পুম্নমক ফাওহল্লকই।

স্বিটজরলেন্দদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বাসেলগী ডা. সিলভিয়া ফ্রেনা হায়খি, মীওইবগী ব্রেনদা মরুওইনা হাইপোথেলামসতা য়াওবা সর্কালুনর ক্লোক্কী খোঙচৎ মতুংইন্না হকচাংদা অহোংবা কয়া থোকহল্লকপনি।

মীওইবা ৩৩ না তূম্বগী মতাংদা কূপ্না থিজিল্লগা করেন্ট বাইওলোজি জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, থানিলগী অহিংদা তূম্বগা মরী লৈনবা ব্রেনগী মথৌ চাদা ৩০ রোম হন্থরকই। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা তূমথনবা হোৎনবদা হান্নগী চাংদগী মিনিট ৫ রোম হেন্না চঙলম্মী। তূম্বগী মতমসু অতৈ নুমীৎশিংদগী মিনিট ২০ লোম তেল্লম্মী। থাবল ফবা অহিংদা মেলাটোনিন কৌবা হোর্মোন মখল অমগী চাং হন্থরকই। হায়রিবা হোর্মোন অসিনা মীওইবগী তূম্বা অমসুং য়াহৌবগী থৌওংশিং রেগ্যুলেট তৌবনি। মরম অদুনা হোর্মোন অসিগী চাং হন্থরকপা মতমদা পাক হেক তূমথবা য়াদে।

থাবলগী মঙালনা মীওইবগী ফর্টিলিটি ফিনুংগী হকচাং অমদি ৰাখল খনবগী মওংদসু চাউনা অহোংবা থোকহল্লি। মরম অদুনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা থানিলগী অহিংদা ঙমজবা খরা কৎলগা থা-দা খুরুমদুনা পূক্নিং ৰাখল নুংঙাইনবা হোৎনৈ হায়রি।

থা-গী খোঙচৎনা মীওইবগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া থোকহল্লি হায়বসি মমাঙঙৈদগী শোন্নদুনা লাক্লবা ৰাফমনি। চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু থা পানখৎলকপা নৎত্রগা শিথরকপদা পূক্নিং-ৰাখল অমসুং তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা অহোংবা থোকহল্লকই। অদুনবু থাশি-থানৌ হৌবা হায়নবা অমা লৈরিবনি।

# নৌনা কোয়লাস থাখিবতা ঙাইরিবা লম্বী লৈনুংদা ফুম্বা পাইপ কায়বদগী লম্বী ঈশিংনা তাউরে



ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

নেসনেল হায়ৱে ১০২ গী থোংজু পেচু লম্পাক মনাক্তা নৌনা কোয়লাস থাখিবতা ঙাইরিবা মফম লৈনুংদা ফুমদুনা পুবা টোটি পাইপ কায়বদগী ঈশিংনা লম্বী তাউরে।

কাঞ্চিপুরদা লৈবা পব্লিক হেল্‌থ ইঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) গী ৱাটর সপ্লায়না ঙসি অয়ুক টোটি ঈশিং থারকপা মতমদা নেসনেল হায়ৱে অসিগী নোংপোক থংবা শরুক থোকচোম ইনাওগী দুকান মপাদা নৌনা কোয়লাস থাখিবতা ঙাইরিবা লম্বীগী মখা লৈনুংদা পুবা মেন পাইপ কায়রকপদগী লৈনুংদগী ঈশিং কাপথোরকখি। কল্লবা ঈশিংগী শাফু অদুনা লৈনুংদগী কোয়লাস মথক্তা ফুগৎলকপদা লৈখোম লৈনাংগা লোয়নননা কোয়লাস মথক্তা ঈশিংনা মফম কয়াদা হায়গৎলকখি।

ফুট ১০০ রোম লম্বীগী নাকলদা ঈশিং থুন্নকপদগী লম্বীগী নাকলদা পুবা দ্রেনদা ঈশিং চেন্থরকখি। করিগুম্বা দ্রেন অদু মবুক চোন্না ঈশিং চেনবা ওইরম্বা তারবদি মফম অদু ফনা কুইনা ঈশিং তুংদুনা লৈরমগদবনি। অদুবু ফুটপাথকী মখা থংবা দ্রেন অদু ঈশিং লৈতবনা ঈশিং অদু চেন্থখি।

লম্বী অদু কোয়লাস থাখিবা থা ফাদ্রি। নোং চিফেৎ চিফেৎ চুখিবা মরম্না মফম অদু খরা কঙলকপা মতমদা কোলয়াস থাখিবনি। লম্বী অদুগী মখাদা টোটি পাইপ কাঞ্চিপুরদগীনা শিংজমৈ ৱাটর সপ্লায় ফাওবা শম্নবা মেন পাইপ অমদি দোমেষ্টিক পাইপ অচৌবা অমগা মচা অমগা লৈনুংদা পুরিবনি। পি ঐচ ঈ দিগী কাঙবুনসু টোটি পাইপ অদু য়াম্না চেকশিন্না লৈনুংদা লুনা লৈবাক তৌরগা পুবনি। টোটি পাইপ অদু কনেক্সন তৌবা মতমদা মফম কয়াদা ঈশিং লিক ওইবদগী নীংথিনা চেক তৌদুনা তৌথোক্লগা য়াম্না চেকশিন্না পুখিবনি। অদুবু লৈনুংদা পাইপ পুরিবা লম্বী অদুগী মথক্তা টোন ২০-৩০ রোম লুম্বা পোৎ পুবা ট্রক করিগুম্বা মফম অদুদা থৌজিল্লুরবদি হান্না নিংথিনা শেম্লবসু পাইপ অদু মনুংদা নমথখিদুনা ঈশিং য়ুরকপা নৎত্রগা পাইপ কায়বা ওইরম্বা য়াই হায়না অখঙ অহৈশিংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোক্লরক্লি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লম্বী শেম্বা অমদি পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টনা লৈনুংদা টোটি পাইপ ফুম্বা মতমদা লৈনুংগী লৈশা অদু কনব্রা নৎত্রগা পেৎপ্রা হায়বদু নীংথিনা চেক তৌরগা ফুম্লগদি ঙসি থোক্লিবা খুদোংচাদবা অসি থোক্লম্লোই। অমরোমদা, টোটি পাইপ কায়বা অদুনা মরম ওইদুনা নৌনা থাখিবা কোয়লাস অদু ঈশিংনা ফুগৎলকপগা লোয়নননা মফম খরদি নৌনা অমুক শেমজিনবা মথৌ তারে। হীরম অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা য়েংশিনবীনবা লৈকায়গী অহলশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

# লেবর দিপার্টমেন্টনা য়াল্লবা শেনফম হাইহৎখ্রে : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, মে ১৭ :

মণিপুর ষ্টেট লেবর দিপার্টমেন্টকী কার্দ পায়বা ৱার্করশিংদা গ্রান্ট ওইনা লুপা ১০,০০০ পীগদবনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি কার্দ পায়বা লেবর অমত্তনা ফংলমদ্রে। মমিং মথা শেমজিন-শাজিল্লগা লেবর দিপার্টমেন্টনা য়াল্লবা শেনফম হাইহৎখ্রে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা মরাল শীরক্লি।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ফাওবদা মণিপুর ষ্টেট লেবর দিপার্টমেন্টনা শিন্নী লিশিং কয়াদা কার্দ পীরি। লূপ অসিনা থিগৎপদা চাওরাক্লা মীওই লিশিং য়াঙ্খৈরোমদা কার্দ পীরে হায়বগী ৰাফম ফাওবা লৈরে অদুবু তশেংনা শিন্নী ওইরিবা কার্দ হোল্দরশিং অদুদদি হায়রিবা শেনফমশিং অসি অমত্তা ফংহল্লমদ্রে। গ্রান্ট অসি ওইনাম শওম্বুংদগী দিপার্টমেন্ট অসিদা ফম্নাইবা ওইরিবা মীওই অমনা শেমজিন-শাজিনবা মশা লৈতবা মীওই কয়াগী মিংদা কার্দ শেল্লগা হায়রিবা শেনফমশিং অসি লোইনা হুরানখিবনি হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা থিগৎপদগী খঙবা ঙল্লে। কয়ামুক য়াম্না হুরানখিবনো হায়বগী চপ চাবা খঙবা ঙম্লবা লূপ অসিনা কন্না থিগৎলি অদুবু শেনফম অসি য়াম্না চাওবা শেনফম অমা ওইরমগনি হায়বগী চিংনবদি লৈরে। লূপ অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মীওইশিংদা থিগৎপা মতমদা শেনফম অসি মচা নত্তে, শিন্নীশিংনা ফংজগদবা য়ামথ্রবা শেনফম অমনি হায়না ফোঙদোল্লকপা থেংনরে।

নাকল অমরোমদা, লোইশঙ অসিনা শিন্নীশিংদা পীগদবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম মরু ওইনা কুমজা ২০১৬ গী য়াল্লবা শেনফম অমসু হুরানখ্রে হায়বগী থাজবা লৈরে লোয়ননা কুমজা ২০১৭গী শেনফমসু থৌরম অমা অনীখক পাঙথোক্লগা হুরান্দুনা লোইশিনখিনবা হোৎনরি। কুমজা ২০১৬ গী এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অসিগীদমক কায়থোকখিবা শেনফমসি অপূনবা লুপা ৩০,৪৫,০০০ অসিনা মণিপুরগী মফম কুনমাপলদা থৌরম পাঙথোক্কদবনি অদুবু হায়রিবা থৌরম অসি অমফাওবা পাঙথোকপা তৌদনা য়াল্লবা শেনফম অসি লোইশঙ অসিনা হুরানখিবনি। অসুম্না কুমজা ২০১৭ গী শেনফম অসিসু মফম অমা অনীদা পাঙথোক্লবা হোৎনরি অমদি থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লগা য়াল্লবা শেনফম অমসু হুরান্নবা থৌরাংলি। লৌমী-শিন্নী মীয়ামগী চাকথুং মৎপগী থৌওং অসি মণিপুর মাওইষ্টনা হকচিন্না লৌই মরম অদুনা চয়োল অমগী মনুংদা লোইশঙ অসিনা মণিপুর মীয়ামদা লাল্লে হায়জদ্রবদি অমদি মরাল লৈবশিংনা মশাগী মরাল য়াজদ্রগদি লূপ অসিনা কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈশিল্লোই হায়না লালহৌলূপ অসিনা অকনবা ৰাফম থল্লক্লি।

শিন্নী কয়াদা গ্রান্টকী শেনফম অসি পীখিবনো অমদি কনা-কনাদনো হায়বা য়াম্না ময়েক শেংনা পাউচেগী খুত্থাংদা ওইবা য়াই নৎত্রগা মীয়াম খঙহনবা য়াবা পাম্বৈ অমা থিদুনা মীয়ামদা ফোঙদোক্কদবনি। নাকল অমরোমদা, এৱেয়রনেস প্রোগ্রামগী হুরানখিবা শেনফম অসিগী মরী মখোঙসু মণিপুর মীয়ামদা চয়োল অমগী মনুংদা খঙহনগদবনি হায়রি।

# মীহাৎপা পুথোকউ হায়না শুগনু চকপি কারোং লম্বী থিংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোলটিনচান ভিলেজ অমসুং খুঞ্জাং ভিলেজদা থা অসিগী ৫ দা শিনা ফঙখিবী নেংনৈকিম অমদি ন্যু কৈথেলমানবীদগী হৌজিক্লা খুপিজাংদা লৈবা কাইখোলেন তুবোই মীহাৎতা চেন্নরিবশিং পুথোকউ হায়না ঙসি শুগনু চকপি কারোং লম্বী থিংলুরে।

মীহাৎপা পুথোকউ হায়দুনা ঙসি মীওই কয়ানা থোরক্তুনা লম্বী থিংখি। তুংদা ৰারী শানবদা য়ানবা পুরকপদগী মতম খরগী ওইনা চত্থরম্বা বন্দ অদু হন্দোকখ্রে। নেংনৈকিম অমসুং কাইখোলেন তুবোই মীহাৎতা চেন্নরিবশিং পুথোকউ হায়না মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা থা অসিগী ১৪ গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা পুং ৪৮ গী মনুংদা মীহাৎপশিং পুথোক্লবা লৈঙাক্তা অকনবা ৰাফম থম্বা লৈখ্রে।

জে এ সীনা পীরিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা মীহাৎপশিং পুথোক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়নসু লৈঙাক্তা চেকশিন ৰা থম্বা লৈখ্রবনি।

জে এ সীনা পীখিবা মতম অদু ফাওবদা মীহাৎপশিং পুথোকপা ঙমদ্রে হায়না ঙসি অয়ুক অঙনবদগী শুগনু চকপীকারোং লম্বীগী সেরৌ লমখায়দা নুপী ময়াম থোক্লক্তুনা লম্বী থিংখি। লম্বীদা উ-ৰা ফৈজিন্দুনা থমখি।

লম্বী থিংখিবা অদুনা মরম ওইদুনা সুগনুরোমদগী চকপীকারোং চৎখিগদবা অমদি চকপীকারোংদগী শুগনুরোমদা লাক্কদবা গাড়ীশিং চেন্নখিদ্রে। লম্বী থিংখিবা অদুনা অকায় অতোয় থোক্তনবা সুগনু পুলিসকী কাঙবু অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ঙাক শেনখি। মখা তারকপা ওইনা এস পি ককচিং এস. গৌতম, এ দি সী চান্দেলগী মেম্বর লালরমসাং ফিমাতে অনীনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শরুক য়াদুনা জে এ সীগী মীহুৎশিং, কুকি চীফ এসোসিয়েসন, গুনপী ব্লোক্কী প্রসিদেন্ট, কুকি রুমেন হ্যুমেন রাইটস চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অমদি গুনপী ব্লোক্কী লুচিংবা কয়া য়াওনা খোপিজাং ভিলেজদা ৰারী শানখি।

ৰারী শানবা অদুদা মখোয় অনী করম্না শিখিবনো হায়বদু পোষ্ট মোর্তেম অমসুং ফোরেন্সিক রিপোর্ট লাক্লগা মীহাৎ অদুগী লংলা লংজিন খঙমিন্ননবা অমসুং থৌদোক অদুদা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা, মোবাইল কোল হিষ্টরি লৌথোক্তুনা ট্রেক্কিং তৌবা হায়বনচিংবা ৰাফমশিংদা মেমোরেন্দম অমসু খূৎয়েক পীনখি। তুংদা ৰাখৈনবা পুরকপদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা হন্দোকখি।

নেংনৈকিম অমসুং কাইখোলেন তুবোই মীহাৎকা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জে এ সীগী মীওইশিং অমদি মীওই কয়া থোক্লক্তুনা সুগনু চকপীকারোং লম্বীগী সেরৌ লমখায়দা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদগী চত্থবা হৌখি। নুপী ময়ামসু থোক্লক্তুনা লম্বীদা উ-ৰা ফৈজিনবনা মরম ওইদুনা গাড়ী চৎথোক চৎশিন য়াখিদে।

## কে সী পিগী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা চীংমৈরোংগী এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা নিংঙোম্বম বিরজিৎ এলিয়জ ইবুংঙো (৪৪) অপোকপা এন ব্রোজেন কৌবা কে সী পি (এম সী) গী কাদর অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফারবা কে সী পি (এম সী) গী কাদর নিংঙোম্বম বিরজিৎ চিংমৈরোং মনীং লৈকায়দগীনি। মহাকপু ৱাহং পাউহং চত্থবদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াদগী য়েল্লবা শেনফম কয়া খোমগৎখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে হায়রি।

# লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র চুড়াচান্দপুর, পর্সোনমুন ভিলেজ লমকানা শীন্দুনা পার্টিসিপিটরি মীটিং ওন দিভলপমেন্ট ষ্টেটেজিজ ফোর দব্বল ফার্মর্স ইনকম হায়বা হীরমদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ান, আই সী এ আর রিছর্স কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্তর নরেন্দ্র প্রকাস অমদি সেনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. নিরঞ্জন লালনা মথৎশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বর সেক্রেটরি ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন নৈনখি।



কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম দব্বল হেনগৎহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা থল্লক্লিবা মীৎয়েং অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবসু মীফম অদুদা খন্ন নৈনখি। মীফম অদুদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

# কন্ত্রেক্তরশিংগী বিল পীথোক্তবদগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৭ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী থবক শুরিবা কন্ত্রেক্তরশিংগী মখোয়গী পীফম থোকপা বিল মতম চানা পীথোকপীদবদগী ঙসি কন্ত্রেক্তরশিংনা এম য়ুগী কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কন্ত্রেক্তর এসোসিয়েসন (মুকা) গী প্রসিদেন্ট এল গুনিনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী থবক পায়রিবা কন্ত্রেক্তরশিংগী মখোয়গী পীফম থোকপা বিল হৌজিক লুপা ক্রোর ১০০ রোম পীথোক্তনা এম য়ুগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ফাজিন্দুনা থল্লি।

কুমজা ২০১৪ দগী ঙসি ফাওবা এম য়ুগী ফাইনান্স ওফিসরনা কন্ত্রেক্তরশিংগী পীথোকফম থোকপা বিল অদু পীনবা শেল লৈরবসু মখোয়না পীথোক্তনা বেঙ্কতা থল্লগা শেন্দোয় চারগা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। খরা প্রেসর কনবা কন্ত্রেক্তরশিংগী বিলনা পীথ্রগা অতোপ্পা কন্ত্রেক্তরশিংগীনা পীথোক্তনা থম্বা অসি কন্ত্রেক্তরশিংনা থম্মোয় শোক্না য়ানিংদে। মসিগী মতাংদা ঙরাং মুকাগী কাঙবুনা মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা অথুবা মতমদা কন্ত্রেক্তরশিংগী বিল পীথোকপীনবা তকশিনখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা, এম য়ুগী এ গ্রেদ ফঙলিবা অসি কন্ত্রেক্তরশিংগী মপান্ননি। মরম অদুনা কন্ত্রেক্তরশিংগী বিল অথুবা মতমদা থাদোকপীদ্রবদি লোগী মতেং লৌরগনি। মসিদা নত্তনা কন্ত্রেক্তরশিংগী বিল মতম চানা এম য়ুগী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা পীথোকপীদ্রবদি এম য়ুগী দিপার্টমেন্টশিং থোঙ লোনশিনবগী খোঙজং ফাওবা চত্থরগনি। মসিদা এম য়ুগী এ ব্লোক্তা লৈরিবা ওফিসরশিংনা দ্রামা তৌদুনা শান্নদুনা লৈরি হায়না চার্জ তৌরি। হৌজিক হৌজিক এম য়ুদা কন্ত্রেক্তরশিংগী পীথোক্লবা শেলদি লাক্লে। অথুবা মতমদা লুপা ক্রোর ৩০ রোমদি থাদোরকপা য়ারবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হৌজিক এম য়ুদা লুপা ক্রোর ৩০ রোম থাদোকপগী মহুক্তা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসি মখোয়না বেঙ্ক একাউন্তদা হাপচিল্লগা ইন্টরেষ্ট চাদুনা লৈরে হায়না চার্জ তৌরক্লি।

ঙসি এম য়ুগী ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্তা কন্ত্রেক্তরশিংনা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা নো দ হার্দসিপ ওফ কন্ত্রেক্তরস অমদি ৱি দিমান্দ ইমিদিয়েটরিল রিলিজ ওফ বিল হায়বা প্লে কার্দশিং ইদুনা থেংখি। ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী পুং ৪ ফাওবা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা কন্ত্রেক্তর ৩০ হেনবনা শরুক য়াখি।